**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরদসু হয়েং য়ুনিতি মার্চ পাঙথোক্কনি।

২) স্বাচতা হি সেবা স্পেসিয়েল কেম্পেন ফাইভ পোইন্ট জিরোগী মনুং চন্না ইম্ফালগী কৈশামথোংদা লৈবা রিভর ফ্রন্ট গার্দেনদা সেফ রিভর কেম্পেনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৩) মণিপুর ইন্তরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো (মণি টেক্স) মথং থাগী ৮ দগী ১২ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপা নিলাকুথিদা লৈবা অরবান হাটতা পাঙথোক্লগনি।

৪) কুমশি চহিগী নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজেবুংদা পাঙথোকখিবা ঙাগী মেলাদা ঙা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা লৌমীশিংগী অথোই অহেন তান্নবগী ফল লাউথোক্লে।

অমসুং

৫) নোংলৈ নুংশি মোন্থানা তেলঙ্গনাদা চাউনা অমাং অতা থোহল্লে, লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে।

------

য়ুনিতি (এল) ঃ সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা হয়েং লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু য়ুনিতি মার্চ পাঙথোক্কনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ বুধচন্দ্র কলেজ ফাওবা মীয়ামগী য়ুনিতি মার্চ পাঙথোক্কনি। খোঙচৎ অসি রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা লমথাগনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা হয়েং তমেংলোং জিলাদগী জাদোনং পার্কতগী হৌরগা এপোলো গ্রাউন্দ ফাওবা য়ুনিতি মার্চ  চৎকদৌরি। হিরম অসিগী মরী লৈননা ঙসি তমেংলোং দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার, এস.পি অমসুং সরকারগী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, অপুনবগী শক্তম অমসুং জাতি শেমগৎনবা ঐখোয় পুন্না চৎমিন্নশি হায়বা হিরমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট, মেরা য়ুবা ভারত, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসনা পুন্না খুৎশমদুনা য়ুনিতি মার্চ হয়েং জিলা অসিগী দি.সি ওফিসতা পাঙথোক্কনি।

সেবা (এল)ঃ   স্বাচতা হি সেবা স্পেসিয়েল কেম্পেন ফাইভ পোইন্ট জিরোগী মনুং চন্না রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কৈশামথোং রিভর ফ্রন্ট গার্দেনদা সেফ রিভর কেম্পেনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নম্বুল রিভর দিবলপমেন্ট কমিতিগা খুৎশমনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা কেম্পেন অদুদা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকী দাইরেক্তর, ডা: টি. ব্রজকুমারনা হায়- মণিপুর সরকারগী মখাদা রাজ্য অসিদা ঈশিং ফংদবগী সমস্যা থেংনরিবা অসিদগী কোকহন্নবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা তুরেলশিং কন্নবগী কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি। সরকারনা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি মীয়াম য়াওদ্রবদি মায় পাকপা ঙমলোই।

আইদিপি (এল)ঃ   দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা নিংথম থাদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং য়াওনা ন্যুত্রিসনেল

অমসুং ষ্টেসনরি আইটেম য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা উরুপ ও.বি.সি গার্লস হোষ্টেল রিলিফ কেম্প, য়াম্বেম গার্লস হোষ্টেল রিলিফ কেম্প, য়াম্বেম মথক্তা লৈবা টেম্পররি সেলটর হোম অমসুং অন্দ্রোগী লৌপাউচুম রিলিফ কেম্পতা লৈবা ইমুং ৪০৩ রোমদা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখি। পোৎলমশিং অদু সব-দিভিজনেল ওফিসার কৈরাও বিত্রা, সব-দিপ্যুতি কল্লেক্তর তুলিহলনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ নিভেদিতা লাইরেল্লাকপমগী পাউতাক মতুইন্না নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা য়েন্থোকখিবনি।

লৈকোল (এল)ঃ লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- ঐখোয় খুদিংমকা ইশাগী হৌরকফম খঙনবা হোৎনবা অমদি হৌজিক ওইরিবা ফিভম খঙনা করম্বা মাইকৈরোমদা চৎকনি হায়বসি নিংথিনা খঙবগী তঙাইফদবা লৈরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাকয়েল খোঙবান মকোই নুংওনচীং মনিংদা লৈবা মৈতৈ লৈকোলদা লৈকোল অসিগী ১০ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকপা অমসুং মফম অদুদা নৌনা শাবা ওজা অঙৌ মেমোরিয়েল ওপন লাইব্রেরি শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী বিমোলনা হায়- ঐখোয়গী হৌরকফম অমদি হৌজিক ওইরিবা ফিভমগা তুনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগা লোয়ননা মতমগী হোংলক্লিবা অহোংবা অসিদসু ইশানা ইশাবু মশক খঙনা চৎপা তাই। মসি ঙমদ্রবদি ফুরুপ অদু মুৎখিবা য়াই।

রিমস(এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী দিপার্টমেন্ট ওফ ক্লিনিকেল সাইকোলোজিনা শিনদুনা ঙসি নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা রিমসকী জ্বিল্লি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

‘কন্টিন্যুয়িং রিহেবিলিটেসন এদুকেসন ওন আইদেন্টিফাইয়িং এন্দ এসেসিং ন্যুরো দিবলপমেন্টেল কন্দিসন্স এন্দ দিসরপতিব বিহেবিয়ার’ হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার জি.

সুনিলকুমার শর্ম্মনা সি.আর.ই প্রোগ্রাম অহানবা ওইনা পাঙথোকপা অসি রিমসকী ওইনদি য়ামা চাউথোকচনিঙাইনি হায়রদুনা আইদেন্তিফায়িং এন্দ এক্সেসিং ন্যুরো দিভলপমেন্টেল কন্দিসন এন্দ দিষ্ট্রক্তিভ বিহেভিয়র হায়বসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

ত্রাইবেল (এল) ঃ 'ইমরজ এন্দ একসেল' হায়বা হীরম অসিদা নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসিদগী হোটেল ইম্ফালগী সঙাই ক্লাসিক হোলদা হৌখ্রে। থৌরম অসি দোন্নর মন্ত্রালয়গী এন.ই.সি-শিল্লোংগী শেন্থং মখাদা ত্রাইবেল রিছোর্স দিবলপমেন্ট সেন্টরনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যগী টেক্সতাইল, কম্মরস এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

রাজ্যগী ত্রেদ কম্মরস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজকী দাইরেক্তর-যুমাম রোবিতা, এন.ই.সি. সেক্রেটরিয়েট-শিল্লোংগী ঐচ.আর.দি. এন্দ ইমপ্লোইমেন্টগী দাইরেক্তর-বমিন তরং অমদি রাজ্যগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর-ডা: আর.কে. রাধেসনা দেবীনা শরুক য়ারিবা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা অখঙ অহে কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

মণি টেক্স (এল)ঃ মণিপুর ইন্তরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো (মণি টেক্স) রাজ্য সরকারগী হেন্দলুম অমসুং টেক্সতাইলস বিভাগনা শিন্দুনা মথং থাগী ৮ দগী ১২ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপা নিলাকুথিদা লৈবা অরবান হাটতা পাঙথোক্লগনি।

লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেটতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা দাইরেক্তর এলাংবম জিতেন্না হায়- এক্সপো অসিদা ইটলি, স্পেন, জপান, ফ্রান্স, বঙ্গলাদেশকী বায়িং হাউসনা য়াওনা পুন্না লৈবাক ১০ রোমা শরুক য়াগনি। মেলা অসিদা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা অমদি সংস্কৃতিগা মরী লৈনবা খুৎশা হৈবগী পোখোক কয়াসু উৎকনি। মহাকা মখা তানা হায়- মেলা

অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা মীহুৎশিং পুকিং চিংশিন্নবগীদমক লমদমসিগী মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিং অমদি লমদম অসিগী কলাগী পুক্কেশিং উৎনবা মওংদা ষ্টোল ১০০ রোম হাংনবা শেম শারি। মেলা অসি লমদম অসিগী মীয়ামা শরুক য়াবগা লোয়ননা মপুং ফানা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌরি।

রিজল্ট (এল)ঃ কুমশি চহিগী নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা ঙাগী মেলাদা ঙা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা লৌমীশিংগী অথোই অহেন তান্নবগী ফল লাউথোক্লে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী খোর্দাক্তগী জেনিস ওইনামনা খ্বাইদগী ঙা য়ামা পুথোকখিবা লৌমীগী অহানবা মনা ফংলে। লফুপাৎ তেরাদগী শলাম বাবুচৌবনা অনিসুবা অদুগা থৌবাল জিলাগী তেন্থা খুনৌদগী এল. দিনামনি সিংহনা অহুমসুবা তারে।

মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ঙা মখল খ্বাইদগী পুথোকপদা বিষ্ণুপুর জিলাগী খোর্দাক্তগী জেনিস ওইনামনা অহানবা তারে।

মেলা (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী লমজিং মখাদা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়াতিরাজ অমদি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসননা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা ভি.এল.এফশিংগী ওইবা কনভরজেন্স মেলা অমা ককচিং জিলাগী হিয়াংলম লাই পাঙ্গনবা মার্কেট সেদতা ঙসি লোইশিনখ্রে। মেলা অদু থা অসিগী ১৩ দগী চথ্রকপনি। মেলা অদুদা রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার, ফোরেষ্ট, হোর্তিকলচর, মেদিকেল, ফিসরিজ, হেন্দলুম অমদি অতৈ বিভাগশিংনা হাংবা ষ্টোল ১১ না শরুক য়াখি।

মেলা (এল) ঃ সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্ড রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসন, ইম্ফালনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা সেরিকলচর ক্রিসি মেলা কম ইগজিবিসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্ড রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা সিল্ককী খনগৎলবা পোৎথোকশিং উৎখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমার সিংহ, সেরিলকলচর বিভাগকী দাইরেক্তর-রোবার্টসন অসেমনংবা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা মুগাগী তিল য়োকপা অমসুং লায়না তিন্না অমদি তিল-কাংদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

হেলথ (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং নেসনেল হেলথ মিসন ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সি.এম.ও- ডাঃ এল. ইন্দিরা হায়- পালন থৌরম অসি ইং ১৯৯২ গী ওক্তোবর ১০ দগী পাঙথোক্কুনা লাক্লি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না পুকিং ৱাখল ফনা থমবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পায়খৎতুনা লাক্লি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অসি মরুওইনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী হকচাং ফনা থমবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

কোংপাল (এল)ঃ কোংপাল সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কে.এস.দি.ও)গী ৪৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোং লম্বীদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- শৈখ নুরুল হাসন য়াওনা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট, জি.পিগী চেয়ারপার্সন অমদি জিলা পরিষদকী মেম্বর শরুক য়াখি। ওর্গনাইজেসন অসিনা কোনবা লৈকাইশিংদা লৈবা মহৈরোইশিংদা মেরিতোরিয়স এৱার্দ খুৎশিন্নবা, ইং ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোরকখিবা ইরাংদা

লৈখিদ্রবশিং য়াওনা ওর্গনাইজেসন অসিগী থৌ পুরম্বগী মফমদা লৈ কৎপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ফেরজোল (এল)ঃ   সরদার এট ৱান ফিফতি ইনিসিয়েতিভকী মখাদা হুইনা চীকপা অমদি মতৌ করমা লায়েংগনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ফেরজোলনা শিন্দুনা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। হুইনা চিকপদগী খুদোংথিবা কয়া থোকখিবা অদু য়েংলগা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি। মীয়ামা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা মনাক নকপা হেলথ সেন্তরশিংদা হুই হৌদোংশিং পুবীরক্তুনা হিদাক কাপথোকবা জিলা অদুগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা আপীল তৌরি।

চান্দেল (এল)ঃ   রাষ্ট্রিয়া এক্তা দিবস পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অপুনবগী শক্তম ঙাকবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা চান্দেল জিলাগী হেদক্বাটরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. ধরমেন্দ্র কুমার শরুক য়াখি।

টেব্লো (এল)ঃ   ইং ২০২৬ কী জনুৱারি ২৬ তা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমদা শরুক য়াগদবা টেব্লোশিংগী নমুনাশিং, আর্টিষ্ট অমদি দিজাইন্নরশিংদগী কৌরি। টেব্লোশিংগী নমুনা অদু স্বাতন্ত্রতা কা মন্ত্র-বন্দে মাতরম অমদি সম্রিধি কা মন্ত্র আত্মা নিরভর ভারত হায়বা হিরমশিং অসিদা ওইগদবনি। অকুপ্পা মরোল ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরদগী খঙবা য়াগনি।

অমরোমদা,   নিউ দিল্লিগী প্রগতি মৈদানদা মথং থাগী ১৭ তা পাঙথোক্কদবা ইন্তরনেসনেল ত্রেদ ফিয়ার ২০২৫ দা শরুক য়ানিংবশিংদগী বিভাগ অসিনা দরখাষ্ট কৌরি।

সাইক্লোন ঃ নোংলৈ নুংশি মোন্থানা তেলঙ্গনাদা চাউনা অমাং অতা থোহল্লে। রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা মহৈ মরোং লোকপা মতম অসিদা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা লৌ লোকপা য়ারবা লৌফম কয়াদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী লৌমীশিংনা লৌ লোকপা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা সেন্তিমিতর ১০ দগী ৪০ য়ৌনা লেপ্তুনা নোং চুরি। মসিনা মরম ওইদুনা লৌমী কয়া কোক্তা খুৎ হাপরে হায়রি। তোঙান তোঙানবা লৌফমশিংদা থাবা মোরোক অমদি অতৈ ঙন্না লোকপা য়াবা মহৈ মরোং কয়া পাক্তকনা ঈশিং থুমজিনখ্রে।

মরক অসিদা, নোংলৈ ন্ংশিৎ অসিনা মহৈ মরোং কয়ামরুম মাংহনখ্রবগে হায়বদুগী অকুপ্পা রিপোর্ট সরকারদা পীখৎলকবা মরী লৈনবা বিভাগশিংদা খঙহনখ্রে। মহৈ মরোং মাং তাকখ্রবা লৌমীশিংদা সরকারনা ক্ষেতিপুরন পীগনি হায়রি।

সিতারমন ঃকেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন নুমিৎ মরিনিগী ওইবা খোঙচৎতা ঙসি ভুতানদা থুংখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শ্রীমতি সিতারমন্না ইকোনোমিক এফ্যারস বিভাগকী মীহুৎশিংগা লোয়নরি। খোঙচৎ অসি ভারত অমদি ভুতানগী মরক্তা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং খুমাং চাওশিহন্নবগী মতাংদা খন্নগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপালনা তেকচম পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৪ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা- অসাম রাইফলস পোলো টিম-এনা নোংপোক অপুনবা কাংজৈ লুপ পোরোমপাৎপু পাঞ্জল ১৭-৩ দা থোইখি।

ফুটবেলঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা অহুমসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ময়াংইম্ফাল য়ুনাইতেদ এফ.সিনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা সোসিয়েল স্পোর্তিং ক্লবনা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবেলঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মীফম অমা মথং থাগী ২ দা জিলা অসিগী পোরোমপাৎতা লৈবা ষ্টার স্পোর্তিং ক্লবগী ওফিসতা অয়ুক পুং ৮ দা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা জিলা অসিগী ফুটবোল ক্লবশিংনা শরুক য়ানবা হায়রি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা নম্বোলগী এল. শানোই কলেজনা য়ুম্বু ওইদুনা
নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকপা নুপা অমসুং নুপীগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ ৱেথলিফতিং অমসুং পৱার লিফতিং কম্পিতিসন ঙসি লোইশিনখ্রে। নুপাগী কাংলুপ্তা ষ্টেন্দর্দ কলেজ কোংবনা অহানবা, নুপীগী কাংলুপ্তুনা এস. কুলা ৱিমেন্স কলেজ নম্বোলনা অহানবা তাখি।

জজ (এল)ঃ ইন্তরনেসনেল ফেদরেসন ওফ স্পোর্টস ক্লাইম্বিং (আই.এফ.এস.সি) এসিয়া অমসুং দ ইন্দিয়ান মাউন্টেনিয়ারিং ফাউন্দেসন (আই.এম.এফ) নিউ দিল্লিনা শিন্দুনা মথং থাগী ১ দগী ৪ ফাওবা পুনেদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান স্পোর্টস ক্লাইম্বিং চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরগী নেসনেল এৱার্দি অমদি শান্ন-খোৎনবগী লমদা মমিং লৈরবা ডাঃ কাংঙাবম রোমিও জর্জ ওইনা খল্লক্লে।

------